জুলাই ২২দগী পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৫ : (এজেন্সী): থা অসিগী ২২দগী পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম হৌরগা মীফম অসি মথং থাগী ৯ ফাওবা চত্থরগনি হায়রি।

হন্দক্কী মীফম অসিদা অমুক্তসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা অহুম্লকশুবা লৈঙাক্তা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরবী নিরমলা সিথারমননা মহাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী ফুল বডজেট পুথোক্কনি হায়রি।

ফুল বডজেট অসিমক মীফম অসিগী নীনি চল্লকপা নুমিৎ থা অসিগী ২৩দা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মতুংদা অনৌবা লৈঙাক লিংখিবগা লোয়ননা মমাঙ থাগী ২৪দগী হৌরগা থা অসিগী ২ ফাওবদা লোক সভাগী অহানবা মীফম পাঙথোকখ্রবনি।

এঞ্জেল হোস্পিটাল হায়গদবনি

পাউচে অসিগী ঙরাংগী এদিসনদা 'এঙ্গল হোস্পিটালদা কাপশিল্লম্লে' হায়বা হেদলাইন অসিদা য়াওরিবা 'এঙ্গল' হায়বসি 'এঞ্জেল' হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক ঙাকপীগনি। -প্রুফ রিদর

'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	90.409177
US Dollar	83.500159
British Pound	106.928998
Australian Dollar	56.295169
Chinese Yuan Renminbi	11.486662
Japanese Yen	0.518801
Malaysian Ringgit	17.732914
Singapore Dollar	61.862594
South Korean Won	0.060464
Saudi Arabian Riyal	22.266709
Thai Baht	2.285454

GAS NEWS

TANGLEI GAS OINAM
V/f-20-04-24
B/upto - 21-04-24
Stock-306
7am to 10am
First Come First Serve
M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking order please contact
Call Timing: 8am To 11am
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi.
Imphal East. Singjamei. 9362663937
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
8787530107 / 9863654574 / 9774213728 / 9089519886.
Tiddim line 87946 84988
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA / 8258856407 / 9862239855
KONTHOUJAM A/c 9863201839,
LAMSHANG A/C - 9612493837

HL Poll

Q : July 22, 2024dagi hougadouriba Parliamentki Monsoon session mamangda Manipur leingaka ahongba khara soidana lakkani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipurgi Lan loisinnaba Prime Minister amasung Home Ministerna mathoutaba thabaksing panthadana paikhatlakkadra?

Yes 10% No 90%

অস! লোইরেহে!

- চা থক্কবা নচেদা ৫০০দং থনম্মু।
- ꯆꯥ ꯊꯛꯀꯕ ꯅꯆꯦꯗ ꯵꯰꯰ꯗꯪ ꯊꯅꯝꯃꯨ॥



- লুপা ৫০০গী চা থক্কদি শিবনি ইচে!
- ꯂꯨꯄꯥ ꯵꯰꯰ꯒꯤ ꯆꯥ ꯊꯛꯀꯗꯤ ꯁꯤꯕꯅꯤ ꯏꯆꯦ!

হৈরোকক্কী হাইভা অমসুং জে সী বি ওর্নরশিংনা তুরেল লৌনম্বাল শেমজিনবদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচএনএস): ওল হৈরোক হাইভা অমসুং জে সী বি ওর্নরশিংনা দ্রাইভর এসোসিএসনগী থৌমীশিংগা খূৎশম্নদুনা হৌজিক ঈচাওনা মরম ওইরদুনা তুরেল লৌনম্বাল কায়দুনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা শীংজমৈ ওইনাম থিঙেল লৈকায় অমদি শীংজমৈ যূম্নাম লৈকায় লম্পাক ময়াদা লৌনম্বালশিং অমুক হন্না শেমজিন্নবগীদমক লৈবাক, নূঙ অমদি চীং লৈবাকনচিংবা গাড়ী ১৫ রোম মতেং পাংদুনা লৌনম্বাল শেমজিনবগী থবক চত্থখ্রে হায়রি।

তেংবাঙ খোঙচৎ অসিবু লমথারদুনা ঙসি ওল হৈরোক

All
HEIROK
HYVA
Association

হাইভা অমসুং জে সী বি ওর্নরস অমদি দ্রাইভর এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এন বিরেননা হায়, হৌজিক ঈচাওনা মরম ওইদুনা তুরেল লৌনম্বাল কায়বদগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মফমশিংগী মীয়ামগী মতেং খরদং ওইনবা ঙমজবা লৈবাক, নূঙ অমদি চীং লৈবাক্ন চিংবা গাড়ী ১৫ রোম মতেং পাংজবনি হায়খি।

ঈশিং ঈচাওনা মাঙহল্লবশিংগী ...

লমায় ১গী মখা... কেটচমেন এরিয়াদা উ-ৱা য়াম্থৎখিবদগী ঈচাও মায়োক্নরকপনি। উশিংগী মরানা চূপশিনগদবা ঈশিং চূপশিন্দবদগী চুরকপগা অদুমক চেন্থরকপনি। তুরেলশিংগী ঈমাই খুদক্তা ৱাংখৎলকপনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা নংহৌদবনি। তুরেল খোংনুংদা ক্লব/কম্যুনিতি হোল/ক্রিমেটোরিয়মনচিংবা শাগৎলকপনসু মরু ওইবা মরম অমা ওইহল্লি। অদুগা মণিপুরগী ৱেটলেন্দশিং ঙাক্তুনা থমদবদগীসু ফীভমশিং অসি মায়োক্নরকপনি। হৌজিক অকূৎপা পাৎ তরামুক হিংলিবা অসিদা ঈশিং চেন্থহল্লগা নীংথিজনা থমগদবসু পাৎশিং অসি মমিংতগী ওইনা লৈরে। পুম্লেন, ইকোপ, লোক্তাক পাৎ অমসুং লম্ফেলপাৎ য়াওনা খরুংপাৎ, লৌসি পাৎ, ককৱা পাৎ, ৱাইথৌ পাৎ, য়ারল পাৎনচিংবসি লৈফম থোকপা ফীভমদা লৈত্রে হায়খি।

ঙাইহাক লৈতনা ঈচাও মায়োক্নরকপগী মতাংদা ৱাটর পোলিসি লৈত্রিবনিনা নোং হাংখ্রবা মতুংদা অমুক ঈকং মায়োক্নরকপা য়াবদগী পোইন্ট মঙা য়াওবা মেমোরেন্দম অমা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রে। পোইন্ট মঙা অসিদা পল্লিবা ৱারোলশিং অসি পোলিসি ওইনা শেমজিনবীরক্লগাদি খুদোংচাদবশিং খরা হন্থগনি। পোইন্টশিং অসিগী মনুংদা রিভর ভেসিন, প্লান্নিং মেনেজমেন্ট য়েংশিন্নবা কম্মিটি থম্বীবা, ৱেটলেন্দ ঙাক শেনবনচিংবা ৱাফম য়াওরি।

অদুগা লেন্দ পোটেন্সিএল ক্লাসিফিকেসন অমসুং জেনেল ক্লাসিফিকেসন সর্ভে তৌরবা মতুংদা লমশিংবু মরম অমগীদমক হেক্তা শীজিন্নবা য়াহন্দবগী ৱাফমসু য়াওরি। লোয়ননা হন্দক হঞ্জিন হঞ্জিন ঈচাও মায়োক্নদুনা অমাঙ অতা থোকহল্লবশিংগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন পীবিয়ু। হায় পৱার এক্সপার্ট কম্মিটি শেম্লগা থিজিলহনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনখি।

মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভরস এন্দ...

লমায় ১গী মখা... কেন্দিদেটশিং অদুগী মায়কৈদগী সোসাইটি অসিগী মীওই খরনা অরানবা কয়া চত্থরে অমসুং তৌনীংবতা তৌরে হায়দুনা মরাল শীরকখ্রে।

মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অমসুং ঈচাওগীদমক য়েংলদুনা বোর্দ ওফ দিরেক্টরসকী মেম্বর খনবগী মীখল অসি মতম খরা য়ৈথোকপীনবা কেন্দিদেট ১৫গী মনুংদগী ৮না ঙরাং মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পূক্নিং চিংশিনখ্রবসু মীখল অসি ঙসিমক পাঙথোকখিবা অসিমক য়ানীংদে হায়না কেন্দিদেট খরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি সোইবম লৈকায় খংলাবুং লৈরক্তা লৈবা বোর্দ ওফ দিরেক্টরসকী মীখল অসিদা কেন্দিদেট ওইখিবা টি ঐচ ইন্দিরাগী য়ূমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অমদি ঈচাও মায়োক্নরবা ভোটর অমদি কেন্দিদেটশিংগী য়েংদুনা মীখল অসি মতম খরা য়ৈথোকপীয়ু হায়জখ্রবসু থৌওইবীদনা নম্ফুন্দা পাঙথোকখ্রিবসি য়ানীংদে। লৈঙাক্না সোসাইটিশিংগী য়াওনা লৈঙাক্কী ওফিসশিং ছুটি লাউথোক্লিবা অসি ঈশিং-ঈচাও মায়োক্নরকপদগীনি। অদুবু অসিগুম্বা নুমিৎ অসিদা মীখল পাঙথোকখ্রে। ঈচাও মায়োক্নরবা ভোটরশিং অমদি কেন্দিদেটশিংগী য়েংলগা য়ৈথোকপীয়ু হায়বদা তাবীদ্রবনিনা মীখল অসি চৎনবা য়াহন্দনবা মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎলগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা, ঐহাকসু সোসাইটি অসিগী বোর্দ ওফ দিরেক্টরস ওইনা কুমজা ২০১৬তগী চহী মঙাগী ফম পুরম্মী। অদুগা ইন্টরিম ওইনসু মতম খরা পুরমখি। সোসাইটি অসিদা মীওই খরনা তৌনীংবতা তৌদুনা অরানবা কয়া চত্থরে। কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারীদা সোসাইটি অসিগী বিজিনেস মেনেজর ওইবা মীওই অমগা মতমদুগী বোর্দ ওফ দিরেক্টরসকী প্রসিদেন্টগা মান্নদুনা সোসাইটিগী একাউন্টদগী রেদিএন্ট ফিটনেসতা লুপা লাখ ৫০ পীথোক্লম্লে হায়খি।

রেদিএন্ট ফিটনেস হায়রিবসি করিনো, হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফকা করি মরী লৈনবগে হায়নসু মহাক্না হংখি।

সোসাইটি অসিদা সেন্টরদগী ফিশাবী অমদি খূৎ-শা হৈবশিং য়োকখৎনবা থাদরক্লিবা ক্লস্টরগী শেনফম, নেসনল হেন্দলুম এক্সপো অমদি ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো শিনবগী থাদরক্লিবা শেনফমশিং তশেংনা ফিশাবীশিং অমদি খূৎ-শা হৈবশিংদা য়ৌহনখিব্রা হায়বসু হংনীংঙাই ওইরে হায়খি।

ফিশাবীশিং অমদি খূৎ-শা হৈবশিংগী ওইনা মণিপুরগী অমখক্তা ঙাইরবা সোসাইটি অমা ওইবনা সেন্টরদগী শেল থাদরকপা তোকখিগদ্রা হায়না ঙসি ফাওবদা অরানবা কয়া খঙলবসু খাঙলগা লাকপনি। অদুবু অসিগুম্বা সোসাইটি অসিদা মীওই খরনা তৌনীংবতা তৌবদা চেন্নবশিং চৈরাক পীনবা কেস অমা লৌখৎলগনি অমসুং মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা চে থাদুনা ৱাকৎলগনি হায়খি।

ভিজিলেন্সতা ফাইল তৌখিবা কেস অমসু কনাগুম্বা মীওই খরনা মাঙহনখ্রবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা সোসাইটি অসিগী জেনরেল বোদি মীফম ঙসি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোক্তুনা বোর্দ ওফ দিরেক্টরসকী নৌনা থৌ পুগদবা মীওই ৭ খনখ্রে। মীখল অসি রেজিষ্ট্রার, কোওপরেটিভ সোসাইটিজগী পাউতাক মতুংইন্না নোটিস থোক্লবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি হায়না সোসাইটি অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর থাংজম সিংহজিৎনা ফোঙদোরকখ্রে।

মীখল লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়, ঙসিগী মীখলসিদা মীরেপ ওইখিবা মীওই ৮গী মায়কৈদগী ঈশিং-ঈচাও মায়োক্নরিবা ভোটর অমদি কেন্দিদেটশিংগী য়েংদুনা মতম খরা য়ৈথোকপীনবা ৱাকৎলকপদগী মতম চানা রেজিষ্ট্রারদসু থমখি। অদুমকপু মথক থোংবশিংনা মীখল য়ৈথোকপগী ৱাফম থল্লক্তবনা মীখল অসি পাঙথোকখিবনি। সোসাইটি মনুংদা অমোৎপা কয়া লৈরে অমদি অরানবা কয়া চত্থরে হায়না মীওই খরনা ৱাকৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা য়েংশিল্লগনি। মমাঙ থাগী ২৬তা মহাক এম দি ওইনা থৌ পুবা হৌবদা ঙাইরিবনিনা হান্নগী লৈরম্বা শেল থুমগা মরী লৈনবা অমদি চে চাংশিং মহাক্কী মফমদা শুনা লৈত্রি। অদুবু অথুবা মতমদা থিজিন্দুনা য়েংশিল্লগনি হায়খি।

করিগুম্বা শীরক্লিবা মরালশিং অসি চুম্লম্লবদি মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

অমরোমদা, মীখল অসিগী রিটর্নিং ওফিসর ওইখিবা কে ঐচ তরুনকুমারনা হায়, মথক থোংবশিংগী পাউতাক মতুংইন্না ঙসি সোসাইটি অসিগী জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোক্তুনা কারম ফারবা মতুংদা রুলগী মতুংইন্না মীখল পাঙথোকপনি। সোসাইটিগী ওইনা ইলেক্সনগী রুল মতুংইন্না মেম্বর ৫০গী মথক্তা লাক্লবা নৎত্রগা শরুক মরি থোকপগী মনুংদা অমা শুরবদি মীখল পাঙথোকপা য়াই হায়বগী রুল অদু ঙাক্না পাঙথোক্লবা মতুংদা নৌনা থৌ পুগদবা বি ও দিগী মীওই ৭ খনখিবনি হায়খি।

তোমতোমস্নাগী মচা ২দা মায়োক্নহনখিবা ...

*লমায় ১গী মখা...*অদুদা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা কম্মিসনগী মায়কৈদগী মেম্বর সেক্রেটরি রেজিনা হোংগ্রেনা অইবা চেরোল অমা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টরদা পীখিবনি। চেরোল অদুগী নম্বরনা ১২/১৪/২০২৪-এম সী পি সী আরনি।

চেরোল অসিদা কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ষ্টেট কম্মিসনগী মায়কৈদগী নুমিৎ অদুদা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা সুও মোটু কোগনিজেন্স অমা লৌরে। থৌদোক অদু তোঙান তোঙানবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা অপলোদ তৌনরক্লে অমসুং লোকল প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদসু ফোঙনরক্লে। কম্মিসনগী মায়কৈদগী ওপরেসন অদু চত্থখিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা মায়োক্নখিবা চেলেঞ্জশিংসু খঙলে। অদুগা মচাশিংগা লোয়ননা লাকপা মীওই অমা ফাননবা হোৎনবগী থৌদোক্নি হায়রদুনা ঐখোয় পূম্নমক্না ঐখোয়গী ইথৌ পাঙথোকপদা লোশিং অমসুং চৎন-কাঙলোনশিং ইনগদবনি হায়রদুনা অসিগুম্বা অঙাংশিংগা মরী লৈনবা থৌওং অসিদি মরাল লৈরে হায়রিবা মীওইদুনা অঙাংশিংগা লোয়ননা লাকপদা মায়োক্ন হল্লোইদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখিবনি।

লোয়ননা অঙাংশিং অদুনা মী চিল্লবা মফম অদুদা মখোয়গী অপোকপা মপাবু থাদোক্নবা কোইচেন চেনবা উবদা নত্তনা অঙাং অনীদু মতম খরা ৱাখল মাঙদুনা লৈবগী থৌদোকসু থোকখি হায়না খঙহনখিবনি। মরম অসিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কম্মিসননা জুন ২৭, ২০২৪দা ওফিসল অনী অসিদা পীখিবা অইবা চেরোল অদু ফংলবা মতুং নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা থৌদোক অদুগী দিটেল্ড ফেকচুএল রিপোর্ট কম্মিসনদা পীখৎলক্নবা খঙহনখিবনি।

কম্মিসনগী চেরোল অদুগী কোপিশিং নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (ন্যু দেল্লী) গী চেয়রপর্সন, মণিপুরগী দি জি পি অমসুং সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙগী কম্মিস্নরদসু পীখিবনি।

চেরোল অদু পীখিবা ঙসি নুমিৎ ৯নি শুরকপদা পাউচে অসিগী মায়কৈদগী কম্মিসননা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা পীরকউ হায়খিবা থৌদোক অদুগী দিটেল্ড ফেকচুএল রিপোর্ট পীরক্লব্রা হায়দুনা খোঙ্গুল লীরুবদা সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙগী দিরেক্টরগী মায়কৈদগীদি রিপোর্ট কম্মিসনদা পীখৎলম্বা থেংনখি। অদুবু এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মায়কৈদগীদি কম্মিসননা পীখিবা মতমগী অরোইবা পুংজা ফাওবদা দিটেল্ড ফেকচুএল রিপোর্ট পীখৎলক্ত্রে হায়রি।

অমরোমদা, খঙহৌদনা ঈশিং-ঈচাও মায়োক্নরকপদগী হৌজিক কম্মিসনগী ওফিসসু মহৌশাগুম হাংবা য়াদদুনা লৈরি। ঈশিং হেক হন্থখিবগা কম্মিসনগী ওফিস হাংলবা মতুংদা মখা তাবা থবক লৌখৎলক্লবা য়াই হায়রি।

এঞ্জেল চিলদ্রেন হোস্পিটালদা নোংমৈ কাপশিল্লম্ববু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ : (ঐচএনএস): উরিপোক অচোম লৈকায়দা লৈবা এঞ্জেল চিলদ্রেন হোস্পিটালদা ঙরাং নুংথিল মমায় মমিৎ খুন্না মশক খঙদবা মীওই অনীনা নোংমৈ মৱূ অনী কাপশিল্লম্না থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি উরিপোক অচোম লৈকায় নুপী অপূনবা লূপ অমদি হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংনা লায়েংশঙ অসিগী মমাঙদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী অচোম লৈকায় নুপী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট এস মোধুবলানা হায়, ঙরাংগী অকি অখং পোকহল্লম্না থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অঙাংশিংদা নৎত্রগা হোস্পিটালগী ডাক্তর অমদি ষ্টাফশিংদা পাল্লম্লবদি মদুগী তেকচাক কন্নানা পুগদগে হংলদুনা য়ূম কূংনা তাবা মফমদা লৈবা লায়েংশঙদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকি-অখং পোকহনবগী থৌওং মখা তানা তৌবীগনু হায়খি।

য়াওশঙ মতুংদা অবের ...

লমায় ১গী মখা... পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়, ঐহাকপু কুমজা ২০০৫গী আই পি এসকী লিষ্টতা য়াওরক্লবসু ইলেক্সন দ্যুটি চৎপদা এন্সুশ তৌরকপদগী পর্সনেল ১৫ লৈখিদবা থৌদোক্না মরম ওইরগা ঐহাক্কী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি চত্থখিবনি। ইনক্কারি অদুদা ঐহাক্কী ইরাল লৈতে হায়রবা ফাওবদা মথক থোংবা ওফিসরশিংনা পীফম থোকপা 'ইন্টিগ্রিটি' গী সর্টিফাইদ তৌবীখিদবনা মরম ওইদুনা আই পি এসতা প্রমোসন ফংবা ঙমখিদবনি। অদুবু কুমজা ২০১২দা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা ঐহাকপু প্রমোসন পীখিদবগী মায়োক্তা কেস কয়া শোক্নরবা মতুংদা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ইন্টিগ্রিটি সর্টিফিকেট থারবা মতুংদা হন্দক্তা আই পি এসতা প্রমোসন পীবগী লিষ্টতা য়াওরকপনি। পেন্সন মতুংদা প্রমোসন পীরক্লবসু হরাওবা পোকই হায়খি। পনবা য়াবদি, অদুঙৈ কুমজা ১৯৮৬-৮৭তসু মতমদুদা পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর ওইরম্বদগী থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা লৈখিদ্রবা মীওই অমসু পেন্সন ফংলবা মতুংদা ইন্সপেক্টরদা প্রমোসন পীরকখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি।

টেলঙ্গনা লেজিসলেটিভ ...

লমায় ১গী মখা... য়াওশিনখ্রে। কোংগ্রেসতা য়াওশিনখ্রবা বি আর এসকী লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী মেম্বরশিং অদুদি দান্দে ভিটাল, ভানু প্রসাদ রাও, এম এস প্রভাকর, বোগ্গাপারু দয়ানন্দ, ইগ্গে মাল্লেশ অমসুং বাসভা রাজু সরায়ানি হায়রি। নৌনা কোংগ্রেসতা য়াওরকখ্রবা লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী মেম্বর তরুকপু চীফ মিনিষ্টর রেভান্থ রেদ্দি অমসুং এ আই সী সীগী ইন চার্জ দিপাদাস মুন্সিনা হায়দরবাদতা তরাম্না ওকখ্রে। মখোয়বু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদু ঙসি রেভান্থ রেদ্দিগী জুবিলি হিলসতা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকখিবনি।

কোনুং কাংদা নোংমৈ ...

*লমায় ১গী মখা...*থৌদোক অসিগী পাউনা হায়বদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লিবা মীওইশিং তোংবা কার অদু ঙৌরুনবা মচুনি, এদভান্স হোস্পিটাল মায়কৈরোমদগী থৌরক্লগা নোংমৈ মৱূ অনী কোনুং কাং তম্না কাপশিল্লম্লগা পেলেস কম্পাউন্দগী নোংপোক থংবা লম্বীরোমদা চৎখিবনি হায়রি।

অহিংগী মতম ওইবনা থৌদোক অসিদা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে অদুবু করম্বা মীওইনা করিগীদমক কোনুং কাং তম্না নোংমৈ কাপশিল্লম্লিবনো হায়বা খঙবা ঙমখিদে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বোর্দ অসিগী সেক্সন ওফিসরনি হায়বা মীওই অমনা থৌদোক অসি লাইবক থীবনি হায়রদুনা মহারাজ গম্ভির সিংহগী মতমদগী কাং চিংলকখিবনি।

মণিপুরগী ঈৰাং কল্লিঙৈদা চিংখিদে। হৌজিক্তি খরা শাফরকপদগী বোর্দ অসিগী প্রসিদেন্ট চীফ মিনিষ্টর, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রত, ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী য়াওনা ফমখিবা বোর্দকী মীটিংনা কাং চিংনবা ৱারেপ লৌবদগী শেম শাবা হৌরকখিবনি। কাং চিংবগী থৌরম অসি ঈথক-ঈরাং অমসুং কুম্মৈ হরাও ওইনা উবীগনু হায়রদুনা বোম অমসুং নোংমৈনা কিহন-খংহল্লবসু কাংদি শোয়দনা চিংগনি। নুংঙাইতবা, হায়নীংবা ৱা লৈরবসু টেম্পল বোর্দদা লাকপীরগা ৱারী শানসি হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্না দি এম য়ুবু কাঙ্খ থাঙ তাহল্লব্রা...

লমায় ১গী মখা... হায়বা রেগ্যুলর ভি সী, রেজিষ্ট্রার অমদি কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন্স লৈতে। মসিগী মথক্তা দি এম য়ুগী রেগ্যুলর ষ্টাফ অমা ফাওবা লৈতে। হৌজিক ভি সীগী থবক পুরিবা ঐচ জ্ঞানপ্রকাস অমদি রেজিষ্ট্রারগী থৌ পুরিবী এল নিভেদিতা মশা-মশাগী লোয়শঙশিংদা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং ওইনা মশাগী থবক তৌজরিবনি। মখোয়গী লোয়শঙশিং য়েংশিল্লিঙৈদা দি এম য়ুদি থৌওইবীদ্রে। হৌজিক অন্দর গ্রেজুএটকী ৬শুবা সেমিষ্টরগী এগজাম পাঙথোক্তুনা সেমিষ্টর মপূং ফানা লোইশিন্দ্রি। মসিগী মথক্তা মমাঙদা লৈখিবা বেক পেপরশিং অমুক হন্না থাখিবগী রিজল্টসু নমশিন্দুনা থল্লে। মরম অসিনা অন্দর গ্রেজুএটকী ৬শুবা সেমিষ্টরগী মহৈরোয়শিং মপান লম য়াওনা অতোপ্পা য়ুনিভর্সিটিদা মখা তমথনীংবা অমসুং পোষ্ট গ্রেজুএটকীদমক এপ্লাই তৌগদবদা মসিগী খুদোংচাবা ফংহন্দ্রে। মরম অসিনা দি এম য়ুবু নীংথিনা চলাইদুনা মহৈরোয়শিংগী করিয়র মাঙদনবা রেগ্যুলর ভি সী/রেজিষ্ট্রার/কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন অমদি অতৈ ষ্টাফশিং অথুবদা হাপকদবনি। মহৈরোয়শিংগী দিমান্দ অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদি অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা ৱারেপ্লরে হায়খি।

জিরিবামগী মতাংদা ৱাকৎলকপা কমপ্লেনেন্ট ২দা মণিপুর ...

লমায় ১গী মখা... প্রসিদেন্ট ওইবগা লোয়ননা ওল অসাম মণিপুরী ৱিমেন্স মৈরা পায়বী কোওর্দিনেসন কম্মিটি, অসামগী এদভাইজরনি। অদুগা মহাক ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা য়ুনাইটেদ মণিপুরী এসোসিএসন, অসামগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্মী অমসুং অসাম মণিপুরী কলা একাদেমি, সিলচরগী জোইন্ট সেক্রেটরিসু ওইরম্মী হায়রি।

অনীশুবা কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা ফাঞ্জৌবম লোকেনাথ সিংহানা এদভোকেটনি হায়রদুনা কছারদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সবোর্দিনেট কোর্টশিংদা প্রেক্টিস তৌরিবনি। রিজনেল অমসুং নেসনলগী থাক্তা হ্যুমেন রাইটস ফোরমশিংগসু খূৎশম্নরিবা মহাক ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী এদিটরসু ওইরম্মী। অদুগা মরক-মরক্তা ইংলিস পাউচে মণিপুর ক্রোনিকলসকী ষ্টাফ রিপোর্টরসু ওইরিবনি হায়রি।

পিটিস্নর অনীনা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট পিটিসন অদু ফংলে অমসুং পিটিসন অদুগী মতুংইন্না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মায়কৈদগী দাইরি নম্বর ৩৩/আই এন/২০২৪ ওইনা লৌরে হায়রি। কমপ্লেনেন্ট অনীগী পিটিসন অসি ঙসি (জুলাই ৫, ২০২৪) দা ফাইল তৌরকখিবনি হায়রি।

কমপ্লেন্ট পিটিসন অসি ফংলবা মতুংদা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী সিলচর পি এসকী মনুং চনবা ইটখোলা মণিপুরী পারা (ৱার্দ নম্বর ৩) দা লৈবা কমপ্লেনেন্ট সাইখোম কমলাকান্ত সিংহা (৬৯) অমসুং কছারগী লখিপুর পি এসকী মনুং চনবা করাইকান্দিদা লৈবা ফাঞ্জৌবম লোকেনাথ সিংহা (২৯) দা এদ্রেস তৌদুনা চেরোল অসি কম্মিসননা পীবনি হায়রি।

পূন্না লমায় ৮ পানবা চেরোল অসিদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী শন্নপ্পা হিষ্ট্রি, জিরিবামদা থোরকখিবা থৌদোক পরেং, লমতাই খুনৌ, লৌকোইবুং, হরিনগর, নরায়ানপুর, ভুটাংখাল অমসুং লৈশাবীথোলনচিংবদা থোকখিবা থৌদোকশিং মরীক চুম্না পল্লি। অদুগা জিরিবামদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবা মীওইশিংগী মশীংসু পনবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথিংবা থল্লকপা কর্ফিয়ুগী ৱাফমসু পল্লি।

অদুম ওইনমক কম্মিসনগী চেরোল অসিগী ১৫শুবা পেরেগ্রাফতা জুন ৭, ২০২৪দা মণিপুরগী দি জি পিনা থোকখিবা ওর্দর নম্বর (৫/১১/২০২৪-আই জি পি (জেদ-৩)/৪৮৯দা পুলিস পর্সনেল ১৩৮ জিরিবামদা দিপ্লোই তৌরে হায়রিবা ওর্দর অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা দিপ্লোই তৌবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মমিংসু পল্লি। অদুম ওইনমক পুলিস পর্সনেলশিং অসি লমতাই খুনৌ য়াওনা জিরিবামগী ভলনরেবল এরিয়াশিংদা থাদে। মসিগী মথক্তা দি জি পিনা থোকখিবা ওর্দর অসিদা পীরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মমিংশিংগী মনুংদা খরদি মতম কয়াগী মমাঙদগী শিখ্রবনি হায়না থাজদুনা মশা লৈত্রবনি হায়না থাজবা নৎত্রগা জেলদা থল্লিবশিং য়াওরম্লে হায়বা ৱাফমসু কম্মিসনগী চেরোল অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি। কমপ্লেনেন্ট অনীনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা দি জি পি রজিব সিংহ, আই পি এস, মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর (হোম), জিরিবামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনি হায়নসু চেরোল অসিনা পল্লি।

পনবা য়াবদি, কমপ্লেনেন্ট অনীনা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট পিটিসন অসিদা পল্লকপা ভিক্টিমনি হায়রিবা মীওই অদুগী মমিংনা সোইবম সরতকুমার কৌই হায়নসু ফোঙদোরক্লি। অদুগা জিরিবামদা থোক্লিবা থৌদোকশিংনা মীহাৎ-মীপূন, রাইওট, এথনিক কনফ্লিক্টনি হায়বগা লোয়ননা মীহাৎপশিং অমসুং রাইওটরশিংগী মথক্তা লোফুল এক্সন ফেল ওইরে। পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেননা থবক তৌবা ঙমদ্রে হায়নসু পল্লকখি হায়রি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ
Ph.D. DEGREE AWARDED

Mr. Takhellambam Rocky Singh, S/o Shri. T. Kulla Singh and Smt. T. Malaya Devi of Ngaikhong Siphai Mayai Leikai, Bishnupur District, Manipur has been awarded the Degree of Philosophy (Ph. D) in Chemistry by Glocal University, Mirzapur Pole, District Saharampur, (U.P) for his thesis entitled **"Characterization of various thiocarbamide and Thiohydantion Derivatives through their antithyroid Functions"** vide its notification No. GU-COE/2024/PHD-046 Dated 29/03/2024. He worked under the supervision of Dr. Harbeer Singh, Associate Professor, Department of Chemistry, Glocal School of Science, Glocal University, Mirzapur Pole, District Saharampur, (U.P).

During his research work he presented papers in national and international conferences, Seminars and workshops. He has also published articles in both national and international peer reviewed journals. Now, he is working as a Lecturer in the Department of Chemistry, S. Kula Women's College, Nambol, Manipur.

We wish him a bright future.

Best Wishes from
Family, Friends and Relatives

HL-P/489/6

ꯁꯔꯚꯦꯟꯇ / হেল্পর অমা পামজৈ

য়ূমগী থবক ইনখাং শুবীনবা নুপী হেল্পর অমা পামজৈ। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। মফম্না মন্ত্রিপুখ্রি এ টি লেন। Working Hour না অয়ূক পুং ৮ দগীনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা ওইগনি।

HL-P/390/26/6-8/7(alt) **# 9378119489**

[illegible] / য়ূম য়াওনা ইস্খোল অমা অমসুং ককচীং লমখায়দা ইস্খোল অমগা য়োঞ্জরি

ককচীং মোইরাংথেম লৈকাইদা লৈবা নাওরেম নিংথৌরেন সিংহগী ০.০৩ একর পাক-চাওবা য়ূম য়াওবা ইস্খোল অমা অথুবগী য়োঞ্জরি। ইস্খোল অসিগী পাট্টা নং ১৫৪ অং (অরিবা), ১০০৪/১৫১৭ অং (অনৌবা) অমসুং দাগ নং ২১/১২৭৫নি। লোয়ননা নাওরেম আশা দেবীগী মিংদা পানবা ককচীং লমখায়দা লৈবা ০.০৮ একর পাক চাওবা ইস্খোল অসিসু য়োঞ্জরি। ইস্খোল অসিগী পাট্টা নং ২১৭ অং (অরিবা), ২৬৪/B অং (অনৌবা), দাগ নং ১৩১৬/B নি। কনাগুম্বশিংনা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরিবা ইস্খোলশিং অসিবু পাম্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

# 9362581354
# 9366382963

HL-P/467/4,5,6

ADMISSION OPEN ADMISSION OPEN

'MANIPUR' OPTIONAL
For UPSC Exam 2025
■ CLASS STARTS: 10-07-2024 ■ TIME: 4:00 PM - 5.30PM

GENERAL STUDIES (PRELIMS)
For MPSC/UPSC CIVIL SERVICES EXAM 2025
■ CLASS STARTS: 14-06-2024 ■ TIME: 3:00 PM - 5.30PM

GENERAL FOUNDATION COURSE (GFC)
For the forthcoming RRB,CGL,IBPS,SBI RBI,CHSL Examination
■ CLASS STARTS Date: 10-07-2024 Time: 3.00PM - 5.30PM

Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future
[illegible]
F.B. Proactive Academy of Competitive Examinations
KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL ✆: 9206319209

HL-B/8849/13/6-12/7